# কুমজা ২০১৯ দা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনবা শেম শারে : রাহুল



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে। অদুমওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা পার্টিনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবা ৱাৎলি।

কোংগ্রেসনা ইমুং অমখক্কী মীওইশিং প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরাল শীরকখিবগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা থৌওং অসি অদুমক চৎনৈ।

মতম কয়াগী মমাঙদগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না থাজনখিবা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা শেম শারে হায়না মীয়াম মাঙদা লাউথোকপা হন্দক্লা অহানবনি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসকী ওইনদি পার্টিনা অয়াবা পীরবা মীশক অমনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবনি। পার্টিগী মরুওইবা মীহুৎ খরনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌই।

মচা-মশুশিংনা মপা-মপূগী খূদুং ইনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, উত্তর প্রদেশতা মুলায়ম সিংহ যাদবকী মচানুপা অখিলেশ যাদব, টামিল নাদুদা দি এম কেগী লুচিংবা এম করুনানীধিগী মচানুপা এম কে ষ্টেলিন, বি জে পিগী লুচিংবা প্রেম কুমার ধুমালগী মচানুপা অনুরাগ থাকুর অমসুং ধিরুভাই অম্বানিগী মচানুপা মুকেশ অমদি অনিলনা মপাগী মহুৎ শিল্লি। থৌওং অসি কোংগ্রেস পার্টি খক্তদা নত্তে। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা চৎনরিবনি।

মমাঙগী লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা মায়থীবা ফংখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১২ দা কোংগ্রেস পার্টিনা ঙকচাও থেকপগী মওং উৎতুনা মীয়ামগা পাউ ফাওনবা লেপখি। মদুনা মরম ওইরগা মীখলদা কোংগ্রেস মায়থীখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, লাইনিং-লাইশোলদা যুম্ফম ওইরগা মীয়াম্বু নাকপাক তাহন্নবা হোৎনরবদি মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্না ইন্দিয়াবু নাইতোম ইন্থোরকপা য়াই। মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবা অমসুং শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মতাংদসু রাহুলনা সেন্টরগী বি জে পি গভর্ণমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা লৌউ-শিংউদা চাওনা অকায়বা থোকহনখিবগা লোয়ননা লৌমীশিং অৱাবা মায়োক্লহনখি। চীফ ইকনমিক এদভাইজর অমসুং পার্লিয়ামেন্ট তানরমদনা চথখিবা থৌওং অদুনা লৈবাক অসিবু হীরম খূদিংমক্তা অমাঙ-অতা থোকহনখি।

# রোহিনজাগী ৱাথোক : ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : ইন্দিয়ানা রোহিনজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবগী থৌওংবু য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা হায়খ্রে, সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমদা যুম্ফম ওইরগা রেফ্যুজীশিং হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

জেনেভাদা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফম অমদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মকোক জিদ রাদ অল-হুসেননা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানা রোহিনজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎফম থোক্তে।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী য়ু এনদা মীহুৎ ওইনা লৈবা রজিব কে চন্দরনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম মায়োক্লবা তারবসু মীপূম খূদিংমক্তা মনীং-মখা তম্না হিংনবগী রাইটস ফংহল্লি। সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমদা যুম্ফম ওইরগা ম্যান্মারদগী চঙলকপা রোহিনজা মুস্লিমমশিং হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা হোম এফেয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজুনা হায়খিবনি মদুদি, অয়াবা য়াওদনা ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা মরম্না রোহিনজা মুস্লিমমশিং হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি। মালেমদা রেফ্যুজী খ্বাইদগী য়াম্না চঙজফম পীবা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রাখেন ষ্টেটতা ওইরক্লিবা ফীভম হে-শিংনা লাকশিন্দুনা মীচম মীয়ামবু অৱাবা নংহল্লোইদবনি হায়না ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীরোইদবা মওংদা রাখেন ষ্টেটকী ৱাথোক লোইশিনহন্দুনা অথুবা মতমদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না ন্যু দিল্লিনা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারদগী রোহিনজা মুস্লিম কয়ামরুম ইন্দিয়াদা চেনশিল্লকপগী মতাংদা নুংনাংবা পোক্লবা ইন্দিয়ানা ৱাথোক অসি লোইশিনহন্নবা ম্যান্মারগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংদা তকশিনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, রাখেন ষ্টেটতা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা ইন্দিয়াবু নুংনাংবা পোকহল্লে। রাখেন ষ্টেটতগী রোহিনজা মুস্লিম কয়া অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চেন্থোরকপগী থৌওং থিংনবা হোৎনগদবনি।

টেররিষ্টশিংনা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথবগী থৌওংবুসু ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। রোহিনজা মুস্লিম কয়ামরুম চেন্থোরকপগী মতাংদা বাংলাদেশকী হায় কম্মিস্নর সয়দ মুৱাজেম অলিনা ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করদা খন্ন-নৈননবা হৌদোরকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ষ্টেটমেন্ট অসি থাদোরকখিবনি। ওগষ্ট ২৫ গী মতুং তারকপদা ম্যান্মারগী রাখেন ষ্টেটতগী রোহিনজা মুস্লিম লাখ ৩ লোম বাংলাদেশতা চেনশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ম্যান্মারদা চৎলুবা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মরাল লৈতবা মীচম কয়া শিবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লমখি।

## সসিকালাবু এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবা তোকহনখ্রে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না ভি কে সসিকালাবু টামিল নাদুদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ফমদগী লৌথোকখ্রে।

মচোই-মচোই তারুরবা পার্টিগী ফেকসন অনী পূনশিনখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা জে জয়াললিতাবু এ আই এ দি এম কেগী ইটর্নেল জেনরেল সেক্রেটরি ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি। মীফম অদুদা জে জয়াললিতানা হিংলিঙৈ মতমদা হাপ্লম্বা মীওইশিং মখা তানা পার্টিগী থৌ পুহন্নবগী মতাংদসু এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল কাউন্সিলনা ৱারেপ লৌখি। মসিগা ইরোয়ননা ভি কে সসিকালা অমদি টি টি ভি দিনাকারনবু পার্টিগী ফম অমত্তা পায়হল্লরোই হায়রি।

টামিল নাদু গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর ওইরিবা আর বি উদয়কুমারনা হায়খি, টেম্পররি জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম মুথৎলে। লৈখিদ্রবা জয়াললিতানা মতম চুপ্পগী ওইনা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরগনি। এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অসি মদ্রাজ হায় কোর্টকী অয়াবা লৌগদবা ৱাৎলি।

অমরোমদা, ভি কে সসিকালাগা নক্লবা এম এল এ ১৮ ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিদ্রে।

এ আই এ দি এম কেগী ফেকসন অমনা পার্টিগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি টি ভি দিনাকারনগী ৱাফম থৌশাদবা মওংদা জেনরেল কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখিবনি। ঈ মধুসুদননना চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা সসিকা-লাবু জেনরেল সেক্রেটরি ফমদগী লৌথোকপগা লোয়ননা পার্টিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা ষ্টিয়ারিং কম্মিটি অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌখি।

## ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ : ওরিষাগী মহৈরোয় কনখ্রে

বালাশোর, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ শান্নরুবনি হায়বা ইন্দষ্ট্রিএল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই)গী মহৈরোয় অমা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ওরিষাগী পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা আই টি আই অমগী প্রিন্সিপালনা মহৈরোয় অমগী মওং-মতৌদা চিংনবা পোকপদগী পুলিসতা পাউ পীরকখি। পুলিসনা মশাগী চহী ১৭ রোম শুরবা মহৈরোয় অদু মতম চানা কনখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবনি। কা হেন্না ৱাখল নুংঙাইতবগী মওং উথোরক্লবা মহৈরোয় অদু হৌজিকমক্কী ওইনদি থোইদোক্লা খূদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে।

বালাশোরগী জালেশোরদা লৈবা মহৈরোয় অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হান্নগা মান্নদবা মওং-মতৌ উথোরকপদগী মমান্নবশিংনা প্রিন্সিপালদা পাউ পীরকখি। মতম খরগী মমাঙদা মহাক্না মমান্নবশিংদা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী মতাংদা ৱারী শারম্বা লৈখি হায়রি।

অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা ফেসবূক, গূগল অমদি হ্বাটসএপ্ য়াওনা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ব্লু হ্বেল গেমগী মতাংদা নহারোলশিংবু পাক শন্না ৱাখল তাহনবগী থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম থিংজিন্নবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগা মরী লৈননা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা নোটিশ থাবা লৈখ্রবনি।

নুমিৎ ৫০ নি চঙনা শান্নগদবা ওনলাইন গেম অসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা গেম অসিবু থিংজিন্নবা পি আই এল অমা থাঙ্গৎলকখিবনি।

মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা গূগল, ফেসবূক, হ্বাটসএপ্, ইন্সটাগ্রাম, মাইক্রোসোফ্ট অমদি য়াহূনচিংবা সোসল মীদিয়া জাইন্টশিংদা ওনলাইন গেম অসিগী লিঙ্ক পূম্নমক লৌথোক্লবা খঙহনখ্রবনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু বোম্বে হায় কোর্টনা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পি আই এল অমগা মরী লৈননা এফিদেবিট পীরক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রে।

অসাম পুলিসনা চহী নৌরিবা মীওই ১২ কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী মতাংদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস খূদিংমক্তা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

## গোরখপুরগী ৱাথোক : এনেস্থেসিয়া দিপার্টমেন্টকী মকোক কোর্টতা সরেন্দর তৌখ্রে

গোরখপুর, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): এনসেফেলাইটিস লায়না শন্দো-রকপা অমসুং ওক্সিজেন সপ্লাই মরাং কায়না ফংহন্দবদগী অঙাং কয়া শিখিবগা মরী লৈননা বাবা রাঘব দাস মেদিকেল কোলেজগী এনেস্থেসিয়া দিপার্টমেন্টকী মকোক ডোক্টর ছটিশ কুমার কোর্টতা সরেন্দর তৌখ্রে।



কোর্টতা ডো. ছটিশপু নুমিৎ ১৪ নিগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখি। মমাঙদা অঙাং শিখিবগা মরী লৈননা ডো. ছটিশ ফাহনবীগনু হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা অলাহবাদ হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

অমরোমদা, বি আর দি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা নৌনা অঙাং ১৬ শিখিবগা লোয়ননা ওগষ্ট থাদগী হৌজিক ফাওবদা শিখিবা অঙাং পূন্না ৩১৫ শুখ্রে। মমাঙ চহীদসু হোস্পিটাল অসিদা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং ৩৬৪ শিখিবনি।

উত্তর প্রদেশকী বি আর দি মেদিকেল কোলেজদা থা ১গী মনুংদা অঙাং ২৯০ হেন্না শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী ফরুখবাদতা লৈবা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা অঙাং কয়ামরুম শিবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রবনি।

ফরুখবাদকী রাম মনোহর লোহিয়া রাজকিয়া চিকিটসলাইদা লিক্বিদ ওক্সিজেন অমসুং হীদাক-লাংথক মরাং কায়না ফংদবনা থা ১গী মনুংদা অঙাং ৪৯ শিখি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদ রবিন্দ্র কুমারনা জুলাই ২১ অমসুং ওগষ্ট ২০গী মরক্তা অঙাং কয়ামরুম শিখিবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা য়াথং পীখি। হোস্পিটালদা ওক্সিজেন সপ্লাই মরাং কায়না লৈতবগা লোয়ননা দোক্টরশিংনা মথৌ চেকশিন্দবদগী অঙাংশিং শিখিবনি হায়বা মেজিষ্ট্রেটনা খঙবা ঙমখি।

## স্কুলশিংদা অঙাংশিং খূদোংথীবা নংদনবা গাইদ লাইন অমা সেন্টরনা শেম্লগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২(এজেন্সী): হন্দক্তা গুরুগ্রামদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা হাৎখিবগা লোয়ননা স্কুলশিংদা অঙাংশিংবু ওৎ-নৈবগী থৌদোক তোয়না থোকখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা স্কুল পূম্নমক্তা অঙাংশিং ঙাক শেন্নবগী গাইদ লাইন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱিমন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মনেকা গান্ধী অমসুং হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

মীফম অদুদা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর), সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ), নেসনল কাউন্সীল ওফ এদ্যুকেসন রিসার্ছ এন্দ ট্রেনিং (এন সী ঈ আর টি) অমসুং কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া সঙ্গথন (কে ভী এস)গী ওফিসলশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

মনেকা গান্ধীনা অঙাংশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথবগী থৌওং থিংনবগী মতাংদা জাবদেকরগা ৱারী শানদুনা নুপীবু স্কুলগী সপ্পোর্ট ষ্টাফ, বস দ্রাইভর অমদি কন্দক্টর ওইনা হাপ্নবগী ৱাফম পুখৎপা লৈখ্রবনি।

স্কুলশিংদা চাইল্ড সেক্স এব্যুজগী এদ্যুকেসনেল ফিল্ম কাপ্পগা লোয়ননা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস এক্টকী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী ৱাফমসু গান্ধীনা পুখৎপা লৈখ্রবনি।

ৱিমন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মনেকা গান্ধীনা হায়খি মদুদি, মমা-মপা অমসুং ওজাশিংনা অঙাংশিংবু চেকশিন্না শেন্নবগা লোয়ননা চিংনিনিংঙাই ওইবা থৌওং থেংনরকপা মতমদা চাইল্ড লাইন অমসুং প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেসকী ঈ-বোক্সতা রিপোর্ট তৌগদবনি।

গুরুগ্রামগী র্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা বস কন্দক্টরনা হাৎখিবা অমসুং দিল্লিগী স্কুল অমদা মশাগী চহী ৫ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফল্লানবগী থৌদোক থোকখিবদগী স্কুলশিংদা অঙাংশিং ঙাকপী শেনবীগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়া পুখৎনরকখিবনি।

## গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবগী মায়োক্তা মীয়াম্না য়ানিংদবা খোঙচৎ চৎখ্রে

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেশপু বেঙ্গলুরুদা লৈবা ময়ূম মনাক্তা হাৎখিবা চয়োল অমা ফাজিল্লক্লবসু হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না হৌজিক ফাওবা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙমদ্রি।

চহী ২গী মমাঙদা এম এম কালবর্গি কৌবা রেস্নেলিষ্ট অমা কর্নাটাকাদা লৈবা ময়ূম মনাক্তা হাৎখিবগী মতৌগুম গৌরি লঙ্কেশকী মতাংদসু লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙল্লরোইদ্রা হায়না মীয়াম্না চিংনবা পোক্লি।

পাউমী হাৎখিবগী মায়োক্তা ঙসি মীওই লিশিং কয়ানা বেঙ্গলুরুদা য়ানিংদবা খোঙচৎ অমা চৎখি। সীটি রেলৱে ষ্টেসনদগী হৌরগা সেন্ট্রেল কোলেজগী গ্রাউন্দ ফাওবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা অইবা, মহৈরোয়, এক্টিভিষ্ট অমদি অতৈ মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি। নর্মদা বচাও অন্দোলনগী মেধা পাটকরনচিংবা এক্টিভিষ্ট কয়াসু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি।

সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমসুং এক্টিভিষ্ট গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা কর্নাটাকা গভর্ণমেন্টনা লুপা লাখ ১০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

অখন্নবা টেলিফোন নম্বর অমদি ঈ-মেল আই দিদা মীয়াম্না থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউ পীবীরকউ হায়না সীটি পুলিসনা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্টর রামালিঙ্গ রেদ্দিনা হায়খি, পাউমী হাৎখিবগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১০গী মনা পীরগনি।

চীফ মিনিষ্টর সিদারামায়ানা খোঙজেল য়াঙনা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা পাউতাক পীরক্লে। এস আই টিদা ওফিসর কয়ামরুম য়াওহনবগা লোয়ননা পাক শন্না ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে হায়না হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিদারামায়ানা কেস অসি থিগৎলিবা এস আই টিগা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা রেদ্দি, এস আই টিগী মকোক ওইরিবা পি কে সিংহ, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস আর কে দত্ত অমসুং ইন্টলিজেন্সকী দি জি এ এম প্রসাদ শরুক য়াখি।

HelpingHand Health Care

Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.

Phone: 7085500324 / 0385-2051738

FREE O.P.D.

for First 4 Patient Everyday till Date 30 Sept. 2017 Time from 6 a.m.-2 p.m.

* ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY

* HOMEOPATHIC

TIME : 6 AM TO 9 AM Date 13th - 16th Setp. 2017

WANTED 3 ACUPRESSURIST

Interview Date 15/09/2017, Time: 11. a.m. Salary Negotiable

HELPINGHAND GROUP

Rs.4,00,000/- (4 Lakh)

Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -

Half Monthly - Per Draw Rs.1000/- Lottery on 20th Sept. Join till date.

WANTED 4 STAFFS

| S.No. | Requirment Post | Qualification | Nos. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Supervisor | Graduate | 1 | Rs.8000 - 12000 |
| 2 | Field Executive Officer | XII Passed | 2 | Rs.5000 - 7000 |

Form Available at Office. Submission Lasted on 18th September

অপীকপা শেন্দোইদা GROUP লোনসু লৌবীয়ু !

HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office. ( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4122/12to21 Sept.

# দেরাগী কেম্পস মনুংদা এবোর্সন ক্লিনিক লৈরম্বা থেংনখ্রে

সিরসা, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) : সিরসাদা লৈবা দেরা সচা সৌদাগী হেদ ক্বার্টরসতা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা মীওইবগী শরূ-পোলাং কয়ামরুম থেংনখ্রবা মতুংদা অরোনবা এবোর্সন ক্লিনিক অমসু লৈরম্বা থেংনখ্রে।



হরিয়ানাগী সিরসাদা লৈবা দেরাগী হেদ ক্বার্টরসতা নিংথৌগুম নুংঙাই য়াইফনা পাল্লম্বা গুরমীট রাম রহিমনা মহাক মশামক নুপীগা লোয়নবা ঙমদবা (ইম্পোটেন্ট ওইরবা) মীশকনি হায়না জজগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা তারবসু জেলগী দোক্টরশিংনদি মীওই অসি সেক্স এদিক্টনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

দেরাগী হেদ ক্বার্টরস মনুংদা প্লাষ্টিক্লা শাবা শেনয়েক কয়ামরুমসু থেংনখি। মীওই অসিনা তোঙান-তোঙানবা নুপী কয়াগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্লখি হায়বগী ময়েক শেংলবা খূদম ওইনা মহাক্কী লৈফমগা নুপী তুংইনবীশিংগী লৈফমগা ফাওনবা শুরুং অমসু দেরাগী হেদ ক্বার্টরসতা লৈরম্বা থেংনখি।

চৈরকসিদা, গুরমীট রাম রহিমনা মচানুপী শক্লা য়োকচবী হনিপ্রীট ইনসান নেপালদা লোন্না চেনখিনবা থৌরাং তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা নুপী অসিবু ফানবা হোৎনরি।

সিদার্থ নগরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সত্যন্দ্র গার্গনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নেপালগা লোন্নবা কপিলভষ্টু, মোহনা, সোহরতগর অমসুং দেবরুৱাগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। নেপালগা লোন্নবা মহারাজগঞ্জ, লক্ষিম্পুর অমদি বাহরেক দিষ্ট্রিক্টতসু উত্তর প্রদেশ পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চহী ২০ ফাদোক তাদুনা জেলদা লৈরিবা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহ সতির্যাসিসনা নারবা মীওইনি হায়না জেলগী দোক্টরশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সতির্যাসিস হায়বসি তোঙান-তোঙানবা নুপী কয়াগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্নরগা অপেনবা পোকপগী থৌওংনি। সেক্স এদিক্ট অমা ওইরবা গুরমীট রাম রহিমনা জেল মনুংদা নুপী অমত্তা উনবা ফংদবা মরম্না লৈতাফম খঙদবগী মওং অমা উথোরক্লে হায়না রোহটক জেলদা গুরমীট রাম রহিমবু লায়েংলিবা দোক্টরশিংগী টিম অমনা ফোঙদোকখি। লায়না অসি লায়েংলগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু, হেঞ্জিনখিবা থোক্লবদি কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

হরিয়ানাগী সিরসা টাউন মনাক্তা লৈবা দেরা সচা সৌদাগী হেদ ক্বার্টরসতা চথরকখিবা থিবা-হুম্বগী থবক নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখ্রবনি।

কোর্ট কম্মিস্নরনা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টতা হীরম অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা পীশিল্লগনি হায়না হরিয়ানা গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন সটিশ মিস্রানা ফোঙদোকখি।

মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লিবা সিরসাগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা কর্ফিয়ু লৌথোকপা অমসুং লৌথোক্তবগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)/MSRRDA
Secured Office Complex, 4th Floor, A.T. Line, Imphal.

MEETING NOTICE

Dated, Imphal, the 11th September, 2017

No. 13/9/2013-MSRRDA/Meetig/556 : Contractors of RED/MSRRDA are requested to attend a meeting with officials of RED/MSRRDA to be held on Wednesday, the 13th September, 2017 at 11:00 a.m. in the Conference Hall of RED/MSRRDA, 4th Floor, Secured Office Complex, North A.O.C. Imphal to discuss the following agenda.

AGENDA :

1. Phase-XI-(Batch-I & II) works and related matters.
2. Misc.

All concerned are therefore requested to attend the meeting on time without fail.

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer cum E.O., RED/MSRRDA, Imphal.

HL-B/4121/12&13